# থাও থাংমৈবন্দনা পি টি আর সি পাৎশোই রন ২৪ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

## থাওগী পি অমরজিৎনা মেন ওফ দ টুর্নামেন্ট, লাঙ্গোলয়াম্বনা মেন ওফ দ ফাইনেল মেচ তাখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা অনীশুবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা থাও থাংমৈবন্দনা পাৎশোই তৌমাং রাইজিং ক্লব (পি টি আর সি) পাৎশোই রন ২৪ দা মায়থীবা পীদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা অনীশুবা প্লেট লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অদুদা থাওগী পি অমরজিৎনা মেন ওফ দ টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখি। লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী মেন ওফ দ মেচতা থাওগী য়াম্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় লাঙ্গোলয়াম্বনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা থাও থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। থাওনা মেচকী অপীবা ওভর ৩৫ য়ৌদ্রিঙৈ ওভর ৩১.১ মায়োক্নখিবদা রন ৯৮ লৌরগা ওল আউট ওইখি। থাওগী বেটসমেন অমরজিৎনা রন ২৫ (৬৫), লাঙ্গোলয়াম্বনা রন ১৪ (২১), জেলসন্না রন ১৬ (৩২), কবিরনা নোট আউটদা রন ১০ (১০) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা পি টি আর সিগী বোল্লর মিলন্না ৱিকেট ৫, রেক্স সোমদেব অমসুং জেমসন্না ৱিকেট ১/১ লৌখি। থাও থাংমৈবন্দনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সি পাৎশোইনা ওভর ২৩.৪ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ৭৪ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা থাওগী মখূত্তা পি টি আর সি পাৎশোই রন ২৫ দা মায়থীহৌখি।

পি টি আর সি পাৎশোইগী বেটসমেন সৈত্যজিৎনা রন ৩৫ (৪৬), সামিরনা রন ৮ (৭) লৌখি। থাওগী বোল্লর লাঙ্গোলয়াম্বনা ৱিকেট ৪, প্রিতম্না ৱিকেট ৩ অদুগা চিত্তরঞ্জন্না ৱিকেট ২ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা হৈঙাং কেন্দ্রগী এম এল এ নোংথোম্বম বিরেন্না চীফ গেষ্ট ওইদুনা চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা মনা য়েন্থোকখি।

হয়েং মফম অসিমক্তদা এলিট গ্রুপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেচ ওইনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লিগা শান্নরগনি।

# মেচ ওফিসিএলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ

জানুৱারি ২৮ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সি আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ দা মেচ ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে।

খল্লবশিংদি মেচ কম্মিস্নরদা কে এস ঐচ সরতচন্দ্র, কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফ্রিদা কে ঐচ ইবুংঙো, এল সনাতোম্বা, এস ঐচ সুরেস, কে ব্রোজেন, কে ঐচ রঞ্জিৎ, ৱাই ইঙোবী, এস ওনিল, পি রাজেস, ঐচ অমরজিৎ, দব্লিয়ু স্প্রিংসন, আর কে রঞ্জন, কে অজিৎ কুমার, টি ঐচ রঘু, এল প্রেবিচান্দ, এস তোম্বী অমসুং জয়সিংহ মোন্সাংনি। খল্লবা রেফ্রিশিংনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অস্ফাগী ওফিসতা লাক্তুনা মেচ কম্মিস্নরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ

নেপালদা পাঙথোকখিবা ইন্দো নেপাল ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা ইন্দিয়ন কম্পেনি স্পোর্টস ফেদরেশন্না শরুক য়াদুনা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা স্পোর্টস কোচিং ফাউন্দেশন মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। ৱিন্নর ওইরকখ্রবা টিম অদুদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮ অমসুং ওফিসিএল অমনা শরুক য়ারি হায়না স্পোর্টস কোচিং ফাউন্দেশনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# নেসনেল থাঙ-তা কম্পিটিশন্দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৩ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ২৫ দগী ৩১ ফাওবা টামিল নাদুগী পেরম্বলুর দিষ্ট্রিক্টকী রোবর কোলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২ শুবা নেসনেল থাঙ-তা কম্পিটিশন ২০১৬ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচা থাঙ তা টিম ঙসি অয়ূক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী লমথাখ্রে।

মণিপুর থাঙ তা টিম অসি ঙসি অয়ূক হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা ফিরাল হাইগৎতুনা লমথাখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচা পূন্না শান্নরোয় ১১৪ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংদি সব জুনিয়রগী কাঙলুপ্তা শান্নরোয় ৩৬, জুনিয়রগী কাঙলুপ্তা শান্নরোয় ৩৬ অদুগা সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা শান্নরোয় ৩৮ অদুগা ওফিসিএলনা ৪ নি।

কম্পিটিশন অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ফুনবা অমা, ফুনবা অনীশুবা, থাঙ হাইবা, থাঙলোন অমদি খোঙলোন-খূৎলোন্নচিংবা মশান্নদা অথোই অহেন তান্নগনি।

# মঙাল এফ সি খাবম্না ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী মায়থীবা পীদুনা শাবুংখোক কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ

য়ুঠ এন্দ ষ্ট্যুদেন্ট ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই এস দব্লিয়ু সি) শাবুংখোক্না শীন্দুনা চথরকপা অহানবা শাবুংখোক কপ ওল মণিপুর ষ্টেট লেভেল অন্দর ১৪ (কেজি ৪৭) সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মঙাল এফ সি খাবম্না ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মঙাল এফ সি খাবম্না ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা খুরাই এফ সিনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা মঙাল এফ সি খাবমগী জেমসনা বেষ্ট দিফেন্দর তাখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীগী এস মতাইশঙনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। ঈ য়ু সি কামেং খুঞ্জাওগী শান্নরোয় দব্লিয়ু নাওবিকেন্না টোপ স্কোরর অদুগা ৱাই দি সি এল পুংদোংবমগী এস থোইবনা বেষ্ট গোল কিপর তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মঙাল এফ সি অমসুং ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখি। মায় পাক্লবা মঙাল এফ সিগী অহানবা গোল মেনসন্না মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ইন্দ্রনাথনা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা অদুগা সনামচানা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অংদোন্না মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা ৱাই পি এফকী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্ন নবগীদমক মঙাল এফ সি খাবমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি অদুবু গোল অমদগী হেন্না হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই এফ সি মায়থীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা লমলাই কেন্দ্রগী এম এল এ, কে এস ঐচ বিরেন, তেলৌ-চনা-সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান এল দিনেস, ঐচ তোম্বী অমসুং য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেশনগী তোম্বীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মনা য়েন্থোকখি।

# মণিপুরগী নবচন্দ্রনা ১৫ শুবা তারক্লে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা চথরকপা ১৬ শুবা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ঙসি মাপনশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা মণিপুরগী টি ঐচ নবচন্দ্রনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা ১৫ শুবা পোজিশন তাখ্রে।

পূন্না রাউন্দ মাপন শান্নখিবা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট চেছ চেম্পিয়নশিপ অদুদা আসামগী শান্তনু বোরপত্রা গোহেননা পোইন্ট ৭.৫ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি। শান্তনু বোরপত্রা গোহেন রেট্টিং ২০৫৮ দা লৈরিবা শান্নরোয়নি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টি ঐচ নবচন্দ্রনা ১৫ শুবা পোজিশন তাখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোয় ঐচ দিপক্না পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা ৬১ শুবা পোজিশন তাখি। টি ঐচ নবচন্দ্র রেট্টিং ১৭৬২ দা লৈরিবনি। অদুগা ঐচ দিপক্না রেট্টিং ১৩০৬ তা লৈরিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমদি চেছকী খন্ন নৈনবা য়াওননবগীদমক মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী ত্রেজরর ঐচ ভুপেন্দ্রনাথ ঙসি নুংথিল আইজোলদা থুংখ্রে হায়রি।

# ইমা পান্থোইবী ত্রোফি

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ঃ

কোংবা য়ুঠ ওর্গেনাইজেশন (কে ৱাই ও) না শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি মেন'স ওপন ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই ও সি নহারুপনা ইগল আই গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই ও সি নহারুপকী গোল অদু মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা মাম্মনা চনখি।

অনীশুবা ওইনা শান্নগদবা মেচতা এস ৱাই দি এ লাক্তবদগী লকি সভেন পাঙ্গৈনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা স্মোক এফ সি অমসুং মিক্সকা, অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ দা ঐচ এল এস ৱাই দি ওগা অমদো কে বিগা শান্নগনি।

# ধরমেন্দ্র অমসুং বিনোদনা চহী ৪০ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৩ঃ

মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ হয়েং লোইশিল্লগনি।

হৌখিবা তাং ২১ দগী চথরক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা ভেটরান ইন্টরনেসনেল প্লেয়র কুমার অমসুং মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ও দিগেন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং চহী ৪০ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টি ঐচ ধরমেন্দ্র অমসুং এম বিনোদ অনীনা শান্নরগনি। চহী ৫০ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এস জয়চন্দ্র অমসুং এন নোরেনগা শান্নরগনি। চহী ৬০ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা শ্যামানন্দ অমসুং তোম্বা লাইশ্রম অনীনা শান্নরগনি। চহী ৬৫ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা জি প্রফুলো শর্ম্মা অমসুং ঐচ রাজেন অনীনা শান্নরগনি। নুপীগী দবলসতা আশালাতা অমসুং সনাহনবীগী জুরানা দেবজানি অমসুং ইবেয়াইমগী জুরাগা শান্নরগনি। চহী ৬৫ মথক্কী মেন'স দবলসকী ফাইনেলদা ও দিগেন্দ্র অমসুং প্রফুলোগী জুরাগা কে কুমার অমসুং ব্রজকুমারগী জুরাগা শান্নগনি।

# মণিপুর ভেটরান টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৩ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিরক শুবা টুয়েন্টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লিনা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা চেম্প খাগেম্পল্লিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌনবা খনখি। চেম্প খাগেম্পল্লিনা ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১২২ লৌখি। চেম্প খাগেম্পল্লিগী রতন্না রন ৩৭ (২৮), রজিবনা রন ২৬ (২৪), নিংহোরনা রন ২২ (২৮), ইবোবীনা রন ১০ (৯) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা মোদেল ক্লব টিম এগী বোল্লর তোম্বনা ৱিকেট ২, সুরেস, শামু, চাউবা অমসুং হোমেশ্বরনা ৱিকেট অমমম লৌখি। চেম্পনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব টিম এনা ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট তরেৎ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১১৭ খক লৌদুনা চেম্প খাগেম্পল্লিগী মখূত্তা রন ৫ দা মায়থীখি।

মোদেল ক্লব টিম এগী বেটসমেন মুজিবুরনা রন ৪৬ (৫০), সুরেসনা রন ৩১ (২৬), তোম্বনা রন ২৮ (২৯), এস সুনিলনা রন ৭ (১১) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পল্লিগী বোল্লর বিশেশ্বরনা ৱিকেট অহুম, তোমথাংনা ৱিকেট অমা লৌখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা চেম্প খাগেম্পল্লিগী বোল্লর বিশেশ্বরনা ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং দি এস য়ু অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটরান ক্রিকেট ক্লবকা শান্নরগনি।




HL-B/2883/9,12,15,18,21,24,29,2,5,7,9,12,15,18,21,24,27 feb. 2,5 march



H/L-B/2885/9/01-8/02



HL-B/2875/23,24,31 and 4 feb.



HL-P/4016/10,15,16,17,20,22,24,26,28,30,31,2feb





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com